# টিবেটানশিংগী রাইটশিং নৌহৌননা শৌগৎপা য়ু এসকী বিল তরাম্না ওকখ্রে



বৈজিং, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : টিবেটানশিংগী স্পিরিচুএল লিদর দলাই লামাগী মহুৎ শিনবা অমা খনবগী রাইটশিং নৌহৌননা শৌগৎপা উৎপা য়ু এস কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা লেজিসলেসন লোইদা লৈরিবা টিবেটানশিংগী পোলিটিকেল মকোক্না তরাম্না ওকখ্রে। অমরোমদা খোঙথাং অদুবু চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা লোইদা লৈরিবা দলাই লামাবু তোখাই তানবা হোৎনবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মীশক্লি হায়না লৌই। য়ু এস কোংগ্রেসনা ইনৌ নৌনা টিবেটানশিংগী রাইট শৌগৎপা উৎলিবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না শোকচিনহনবা য়ারি।

লোইদা লৈরিবা টিবেটান গভর্ণমেন্ট হায়না খঙনবা টিবেটান সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেসন (সী টি এ) গী প্রসিদেন্ট লোবসাং সাঙ্গেনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভ অমসুং টিবেট পোলিসি এন্দ সপোর্ট এক্ট (টি পি এস এ) গী সিনেটনা লেজিসলেসন পাস তৌখিবসি পুৱারিগী শরুক ওইরগদবা খোঙথাং অমনি হায়রি।

অমরোমদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ু এসপু চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক লাম্হোকশিংদা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শিখিবগা লোয়ননা লেজিসলেসন অদুবু লো ওন্থোক্লবা সাইন তৌবগী মায়োক্তা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেনবিননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রেগুলর ব্রীফিং অমদা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না য়ু এসতা চাইনাগী মনুংগী ওইবা প্রোব্লেমশিংদা খুৎ থিংজিনদনবা অমসুং নেগেটিভ ক্লোজশিং অমদি এক্টশিং অসিবু সাইন তৌদুনা লো ওইনা ওন্থোক্তনবা হায়রি। করিগুম্বা লেজিসলেসন অদু সাইন তৌদুনা লো ওনখিবা তারবদি লৈবাক অনীগী মরী মখা তানা শোক্লক্কনি হায়না ৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ১৯৫০ দা চাইনানা ক্রূপ ময়াম থাজিল্লগা টিবেট কন্ট্রোল তৌশিনখি অমসুং মদুবু ঈংনা চিক্লা চথবা লিবরেসন্নি হায়খি। মতমদুদগী হৌনা টিবেট অসি চাইনাগী খ্বাইদগী অথিংবা লৈবা অরুবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লাকখি। চাইনিজ লৈঙাক্কী মায়োক্তা লাল হৌজিক ফাওবদা মায় পাক্তবা মতুং কুমজা ১৯৫৯ দা দলাই লামা ইন্দিয়াদা চেন্দুনা লোই ওইনা লৈখি।

য়ু এস কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা লেজিসলেসন অদুদা টিবেটকী মরু ওইবা সিটি লামাদা য়ু এসকী কোন্স্যুলেট অমা হাংবা, দলাই লামাগী মহুৎ শিনবা অমা খন্নবা টিবেটানশিংগী য়েৎননিঙাই ওইদবা ৱাইট অমসুং টিবেটকী ইনভাইরনমেন্ট কাইহন্দনবা থম্বগী ৱাফমশিং য়াওরি।

লেজিসলেসন অদুনা ঈশিংগী সিক্যুরিটিগী মতাংদা রিজনেল ফ্রেমৱার্ক অমা শেম্না অমসুং লমদম অদুগী ইনভাইরনমেন্ট য়েংশিনবগী মতাংদা চাইনাগা ৱারী শানবদা টিবেটান কম্যুনিটিগী মী মশীং হেন্না য়াওহনবগী ৱাফমসু হৌদোক্লি। পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা চহী খুদিংগী ঈশিং ক্যুবিক মিটর বিল্লিয়ন কয়া টিবেটান প্লেটোদগী চাইনাদা থাজিন্দুনা ঈশিং থৈদোকপগী প্রোগ্রাম মপুং ফাখ্রে হায়না বিল অদুদা পনখি।

# চাইনাগী অনৌবা লোং মার্চ ৮ রোকেট অহানবা ওইনা পাইহনখ্রে



বৈজিং, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : স্পেস মিসনশিংগী অচংমন হন্থহনবগা লোয়ননা কম্মর্সিএল ক্লাইন্টশিংগী লোঞ্চ সেদ্যুলশিং থুজিন্নবগী তুং কোইগদবা থৌরাং অমগী মখাদা চাইনাগী অনৌবা করিয়র রোকেট লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অহানবা ওইনা পাইহনখ্রে।

মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, মিদিয়ম লিফট লোং মার্চ ৮ ৱাই-১ কৌবা রোকেট অদু সেটলাইট মঙা পুদুনা চাইনাগী খা থংবা ঈথৎ হাইনানদগী নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা পাইখৎহনখি।

চাইনানা য়ু এস প্রাইভেট এরোস্পেস ফার্ম স্পেস এক্সনা পুথোকপা ফেলকোন রেঞ্জগা মান্ননা লোং মার্চ ৮ সেরিজ লাক্লিবা চহী খরা অসিদা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াবা রোকেটশিং শানবা থৌরাং তৌরি।

লোং মার্চ ৮ ৱাই-১ অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াই নত্রগা য়াদে হায়বা ষ্টেট মীদিয়ানা পনখিদ্রবসু তুংদা লাক্কদবা ভেরিএন্টশিং ভার্টিকেল টেকওফ অমসুং ভার্টিকেল লেন্দিং (ভি টি ভি এল) ঙমদুনা লোঞ্চ অমদগী হেন্না শীজিন্নবা য়াহনগনি হায়না থাজনরি।

চাইনানা লৈবাক অসিগী অহানবা ভি টি ভি এল ভেহিকল কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা শাবা ঙমগনি হায়না হৌখিবা নবেম্বরদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা স্পেস কন্ট্রেক্টর ওইরিবা চাইনা এরোস্পেস সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কোর্পকী ওফিসল অমনা লোকেল কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখ্রবনি।

লোং মার্চ ৯ ৱাই-১ লোঞ্চ অসি চইনাগী স্পেস প্রোগ্রামগী থবক চিল্লবা চহী অমগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্লবনি। কুমজা ১৯৭৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা চাইনানা থাগী লৈমাইদগী রোক এন্দ সোইলগী সেম্পলশিং পুরকখি। হৌখিবা জুলাইদা চাইনানা মার্সতা লৈবাক অসিগী অহানবা ইন্দিপেন্দেন্ট মিসন লোঞ্চ তৌখি।

কুমজা ২০২২ গী মতমদা চাইনানা মোদ্যুল কয়াগী মী লৈগদবা স্পেস ষ্টেসন অমা মপুং ফানা শাবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি। কুমজা ২০৪৫ ফাওবগী মনুংদা চহী অমগী মনুংদা ফ্লাইট লীশিং কয়া ওপরেট তৌদুনা কার্গো অমসুং পেসেঞ্জর টন লীশিং কয়া পুবগী প্রোগ্রাম অমা লৈহনবা ঙম্লগনি হায়না চাইনানা থাজবা থল্লি।

# বাংলাদেশনা মীওই মিল্লিয়ন ৪৫ দা ভেক্সিন কাপ্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : কুমজা ২০২১ গী মে নত্রগা জুনগী মমাংদা য়ামদ্রবদা মীওই মিল্লিয়ন ৪৫ দা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপ্পনবা বাংলাদেশকী কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনাগা উনরবা মতুংদা কেবিনেট সেক্রেটরি খন্দকর অনৱারুল্লনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি কেবিনেটনা য়ামদ্রবদা মীওই মিল্লিয়ন ৪৫ দা ভেক্সিন থানবগী এপ্রুভেল পীখ্রে। কেবিনেট সেক্রেটরি ইস্লামগী মতুং ইন্না, বাংলাদেশতা জান্যুৱারী নত্রগা ফেব্রুৱারিগী অহানবা চয়োল লোইহ্রকপদা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৩০ থুংলগনি। অতোপ্পা দোজ মিল্লিয়ন ৬০ না মে নত্রগা জুনদা থুংলরগনি। মীওই খুদিংমক্তা ভেক্সিন দোজ অনীরক কাপকনি অমসুং পুন্না মীওই মিল্লিয়ন ৪৫ কোভিদ-১৯ গী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপকনি হায়না ইস্লামনা ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশতা কোরোনা ভাইরস লাইচৎ য়ৌরকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা থেংনরিবা পোজিটিভ কেস মশীং ৫০১,০০০ হেল্লে অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশীংনা ৭,২৮০ শুখ্রে।

# রশিয়ানা ঈ য়ুগী ওফিসল কয়া চঙলকপা থিংখ্রে



মোস্কো, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নভালনি পোইজনিং তৌখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা মোস্কোগী মায়োক্তা য়ানিংঙাই ওইদবা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থমখিবগী পাউখুম ওইনা লৈবাক অসিদা চঙলকপদা অথিংবা থমখ্রবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ওফিসলশিংগী লিষ্ট চাওথোক্লে হায়না রশিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টাস ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ওফিসলশিং অদুগী মমিং পনখিদ্রবসু ঈ য়ুনা ওক্তোবর থাখাই চনবদা অথিংবা কয়া থল্লকখ্রবা মতুংদা জর্মন, স্বিদিশ অমসুং ফ্রেঞ্চ এম্বেসিশিং কৌদুনা খোঙথাং অদুগী মতাংদা খঙহনখি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মরুপ-মপাং ওইদবগী থৌওংদা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংশিংগা চাননা ঐখোয়না মখা তানা পাউখুম পীখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগী মরু ওইবা ক্রিটিক অমা ওইরিবা নভালনিগী মায়োক্তা মিলিটরিগী হীরমদা শীজিন্ননবা পুথোকখিবা অথিংবা থমখ্রবা নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নে হায়না মরাল শিখ্রবা রসিয়ন তরুক অমসুং ষ্টেট সাইন্টিফিক রিসার্চ্ সেন্টর অমবু ঈ য়ু অমসুং পুতিননা অথিংবা কয়া থমখিবনি।

ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনি হৌখিবা ওগষ্টতা প্লেন অমা তোংলিঙৈদা লেকথরকখ্রবা মতুংদা জমর্নিদা পুদুনা লায়েংখিবনি।

মহাক হাৎতোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা সোভিয়েট মতমগী নোভিচোক নর্ভ প্রজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা পোইজনিং তৌখি হায়না জর্মনিনা ফোঙদোকখিবদা নোংচুপলোমগী অতৈ লৈবাক কয়ানা য়াখিবনি।

# স্বিদেননা য়ুমথংনরিবা দেনমার্কতগী মী চঙলকপা থিংখ্রে

স্তোকাহাম, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : স্বেদিশ গভর্ণমেন্টনা য়ুমথংনরিবা দেনমার্কতগী লাকপা মীওইশিং চঙলকপা থিংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে। য়ু কেদা হান্না থেংনরকখিবা নোভেল কোরোনা ভাইরসকী হেন্না লৌনগনবা ম্যুটেন্ট ভেরিএন্ট অমা দেনমার্কতা থেংনবগী পাউ ফোংনখিবা মতুংদা স্বেদিশ গভর্ণমেন্টনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

বৃটিশ হেল্থ সেক্রেটরি মাট হেনকোকনা অনৌবা ষ্ট্রেন অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা স্বিদেননা য়ু কেগা চথোক চৎশিন তৌনবা লেপহনখি। দেনমার্কতগী লাকপশিং চঙলকপা থিংলিবদু স্বিদেনগী হোম এফিয়র্স মিনিষ্টর মাইকেল দামবর্গ, ফোরেন মিনিষ্টর এন লিন্দে অমসুং পব্লিক হেল্থ এজেন্সিগী দিরেক্টর জেনরেল জোহান কার্লসননা অপুনবা প্রেস কনফরেন্স অমদা লাউথোকখি।

দেনমার্কতা কোভিদ-১৯ গী হেন্না কনবা অথিংবশিং থম্বা লৈরিঙৈদা লৈবাক অসিদগী লাকপা মীওইশিং চঙলকপদা অথিংবা থল্লিবদু দেনশিংনা স্বিদেনদা লাক্তুনা খৃষ্টমাষ্টকী পোৎচৈ লৈবা অমদি মতম লেন্নবনচিংবা তৌদুনা ইনফেক্সনগী রিস্ক লৈহন্দনবগীদমক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

চঙলকপদা অথিংবা থল্লিবদুনা দেনমার্ক নত্রগা য়ু কেদগী হল্লক্লিবা স্বেদিশ সিটিজনশিংদদি শোকহল্লোই। ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ট্রাভেল এদভাইজরি অমা ইশ্যু তৌদুনা য়ু কেদা তঙাই ফদবা নত্রগা খোঙচৎ খুদিংমক চৎপা লেপনবসু খঙহনখ্রে।

# য়ু কেগী কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টনা ভেক্সিনশিংগী মতিক ময়াইদা শোকহনবা ঙমদেঃ দব্লিউ ঐচ ও

জিনিভা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ গী ম্যুটেসন কয়া থোক্লকখিবা ওইরবসু য়ু কেদা থেংনরিবা অনৌবা ভেরিএন্ট য়াওনা মখোয় অমত্তনা ভাইরস অসিবু থেংনবদা হৌজিক শীজিন্নরিবা থেরাপ্যুটিকশিং, দ্রগশিং নত্রগা ভেক্সিনশিংগী মতিক ময়াইদা চাওনা শোকহনবা ঙমদে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) গী এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।




দব্লিউ ঐচ ওগী চীফ সাইন্টিষ্ট সৌম্যা স্বামিনাথননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা জিনিভাদা ব্রীফিং অমদা হায়খি, নোভেল কোরোনা ভাইরসকী ম্যুটেসনগী চাং অসি ফ্লু ভাইরসতগী য়াম্না হেন্না তপ্পী। অদুনা ফ্লু ভাইরসকী ভেক্সিন ষ্ট্রেনশিং মতম অমগী লৈরিবা ষ্ট্রেনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা চহী খুদিংগী রিভিয়ু তৌবা নত্রগা রিভাইজ তৌবা মথৌ তারি।

হৌজিক ফাওবদা অহোংবা কয়া অমা ম্যুটেসন কয়া উরবসু মখোয়গী মনুংদা অমত্তনা হৌজিক শীজিন্নরিবা হীদাক লাংথকশিং নত্রগা হৌজিক পুথোকপগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা লৈরিবা ভেক্সিনশিংগী মতিক ময়াই থোইদোক্লা চৈথেং পীবা ঙমদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দব্লিউ ঐচ ওগী চীফ অসিনা হায়খি, লায়না শন্দোকপগী চাং খ্বাইদগী নেমহন্নবা হোৎনবদা মিৎয়েং থমদুনা ভাইরস অসিদা করি করি থোক্লিবগে হায়বসি লেপ্তুনা য়েংশিনবগী মথৌ তাই।

মফম কয়াদা ভাইরসশিং মশীং য়াম্না চাইথোক্তুনা লৈবগী মতুং ইন্না ম্যুটেসনগী চাংসু হেনগৎলি লোয়ননা অসিগুম্বা ভেরিএন্টশিং হেনগৎলকই। খ্বাইদগী মরু ওইনা য়েংশিনগদবদি ভাইরস শন্দোকপা অমসুং চাইথোকপগী চাং য়ারিমখৈ নেমথহনবা অসিনি। ভাইরসশিং কন্ট্রোলগী ৱাংমদা মীয়ামদা শন্দোকহল্লোইদবনি। অসুম তৌরবদি ঐখোয়না ম্যুটেসন তৌবগী চাং হন্থহনবা য়াগনি হায়না স্বামিনাথননা মখা তাখি। চৈরকসিদা দব্লিউ ঐচ ওগী হেল্থ ইমর্জেন্সি প্রোগ্রামগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর মাইক র্যাননা হায়খ্রে মদুদি য়ু কেদা ইনৌ নৌনা কোরোনা ভাইরস ভেরিএন্ট থেংনরবসু লায়না অসিগী শাথিবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা হৌজিক ফাওবা লৈতে।

য়ু কেনা থা অসিগী ১৪ দা দব্লিউ ঐচ ওদা আর ওগী চাং ৱাংবা অনৌবা ভেরিএন্ট অমা থেংনরে হায়না খঙহনখিবনি। আর ও হায়বসি পোজিটিভ ওইবা মীওই অমনা অতৈ মীওইশিংদা শন্দোকপগী চাং ১.১ দগী ১.৫ য়ৌবা অসিবুনি।

# বজেটকী য়েৎনবা লৈখাই তাবা ঙমদবদগী ইজরেলদা অমুকসু মীখল ঙন্না পাঙথোকপা য়াবগী ফীভম লৈরে

জেরুসালেম, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু অমসুং লৈঙাক পায়মিন্ননরিবা মহাক্কী মরু ওইবা পার্টনর বেন্নি গান্টজগী মরক্তা বজেটকী মতাংদা লৈরিবা য়েৎনবা ৱাফম অমা লৈখায় তাবা ঙমদবগী ইজরেলদা চহী অনীগী মনুংদা মরীশুবা নেস্নেল ইলেক্সন পাঙথোকপা য়াবগী ফীভম অমা লাক্লে।

ফিস্কেল পেকেজ এপ্রুভ তৌনবা লৈবাকপোকপগী অহিং নোংয়াই ফাওবা মতম থাখিবদা মখোয় অনীমক্না থিন্থহন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা পার্লিমেন্টনা ভোট লৌনদুনা মখোয়গী থৌওং অদুগী মায়োক্তা লেপখি।

ইজরেলি লোগী মখাদা আপীল মতমগী মনুংদা বজেট পাস তৌবা ঙমদ্রবদি লাক্লিবা মার্চতা মীখল পাঙথোক্কদবনি। লোমেকরশিং নত্রগা কেবিনেটনা হৌজিক ফাওবা বজেট পাস তৌদনা লৈবনা নোংমগী মনুংদা অসিগুম্বা প্রোসেস অমাপাঙথোকপা হায়বসি ওইথোক্তবা ফীভমদা লৈ।

কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিলদগী থংনা থংননা পাঙথোকখিবা মীখল অহুমদা পার্টি অমত্তনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমদবদগী রাইট ৱিং লিকুদ পার্টিগী মকোক ওইরিবা নেটনয়াহু অমসুং সেন্ট্রিষ্ট ব্লু অমসুং হ্বাইট ফেক্সনগী মকোক ওইরিবা দিফেন্স মিনিষ্টর গান্টজনা হৌখিবা মে থাদা য়ুনিটি গভর্ণমেন্ট শেমখি।

মখোয়গী পেক্ট অদুদা গান্টজনা নেটনয়াহুগী মহুৎ শিন্দুনা কুমজা ২০২১ গী নবেম্বরদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা অমসুং কুমজা ২০২০ অমদি কুমজা ২০২১ চহীগী বজেট অনীগী মনুংদা অমা পাস তৌবা য়াওরি।

তৌইগুম্বসুং পৱার পাইশিন্নবগী পেক্ট খুৎয়েক পীনখ্রবসু নেট করপসনগী মরালদা ৱারেপ চথরিবা নেটনয়াহুনা মতিক ময়াই লৈরবা মহাক্কী ফম অদু থাদোকরক্তবা য়াই। লিকুদ পার্টিনা বজেটশিং তোঙান তোঙাননা পাস তৌনবা হায়দুনা লাকখি। অমরেরামদা ব্লু এন্দ হ্বাইটকী মায়কৈদগী নেটনয়াহুনা দিল অদু ঙাক্লবা হায়রি। অসিগুম্বা পোলিটিকেলগী ফীভম খরা লৈবদগী লৈবাক অসিদা চহী অনীগী মনুংদা মরিরকশুবা ওইনা মীখল পাঙথোকপগী ফীভম লাক্লিবনি।

# নোংমৈনা কাপখ্রবা হোং কোংগী প্রোটেষ্টর লোইদা লৈরিঃ গ্রুপ



হোং কোং, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : হোং কোংদা হৌখিবা চহীদা এন্টি-গভর্ণমেন্ট দেমোন্সত্রেসন কয়া পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা নোংমৈনা কাপখিবা অমসুং মদুগী তুংদা মীয়ামগী ইরাংদা য়াওবা অমদি ওফিসরশিংদা খুৎ থাবগী মরাল শিখিবা সিটি অসিগী মহৈরোয় প্রোটেষ্টর অমা লোই থাদুনা হায়দোক্তবা মফম অমদা থল্লি হায়না এদভোকেসি গ্রুপ অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা সাং চি-কিন কুমজা ২০১৯ গী চাইনাগী নেস্নেল দে ওক্তোবর ১ দা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা শোকখি। হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা থা কয়া চুপ্পা চথখিবা প্রো দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা পুলিসনা নোংমৈ কাপখিবা মীওই অনীগী মনুংদা সাংনা অহানবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহানবদা সাং কোর্ট হিয়ারিংগীদমক্তা লাকখিদবগা লোয়ননা বৃটিশ বেজ এন্টি চাইনা এদভোকেসি গ্রুপ অমা ওইরিবা ফ্রেন্দস ওফ হোং কোংনা মহাক অমসুং মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা প্রোটেষ্টশিং সিটি অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়খি।

গ্রুপ অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খিবদা কিননা মখোয় লোই ওইনা মফম অমদা লৈ হায়না লাউথোরক্লি। মহাক করম্না সিটি অদু থাদোকখিবগে নত্রগা কদাইদা লৈরিবগে হায়বগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখিদে।

সাংনা মমাঙদা হৌখিবা ওক্তোবরদা কোর্ট কারিঙৈ মনুংদা মহাক্কী মায়োক্তা শিরিবা মরালশিং অদু য়াশিন্নবা পাম্মী হায়না ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। তৌইগুম্বসুং মহাক ফোরেন ফোর্সশিংগা খূৎশম্নবশিংবু চৈরাক ফঙহল্লিবা অনৌবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লো অমা থুগাইবগী ইনভেষ্টিগেসন চথরক্কদ্রা হায়বগী অকিবসু লৈখি।

অকিবা অদু মরু ওইনা মহাক্না চহী অসিগী ওক্তোবরদা মমান্নবা খরগা লোয়ননা য়ু এস কোন্স্যুলেটতা চঙজফম লৌনবা হোৎনখিবদা মায় পাকখিদবদগী লাকখিবা ওইবা য়াই হায়না গ্রুপ অদুনা ফোঙদোকখি।

মতমদুদা য়ু এস কোন্স্যুলেটনা সাংগী মমিং পন্দুনা নত্রগা অকুপ্পা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা হায়খি মদুদি, মালেম পুম্বদগী ওইনা চৎনরিবা য়ু এস পোলিসিদি পোলিটিকেল চঙজফম লৌনবা হায়জবা হায়বসি অমেরিকাগী লৈমায়দা থুংলবা মতুংদা ওইগদবনি।

চাইনানা হৌখিবা জুনদা সেমি ওটোনোমস হোং কোংদা অকনবা সিক্যুরিটি লো অদু চৎনহনখি। লো অদুগা লোয়ননা মী পুনবদা থল্লিবা কোরোনা ভাইরসকী অথিংবশিংনা এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদু লোয়শিনহনখি।

# মরু ওইবা পোলিটিকেল লিদর ২০ গী পুন্সি খুদোংথিবা ফীভমদা লৈরেঃ পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : অয়াম্বনা ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টিশিংদা য়াওবা রুল্লিং গভর্ণমেন্টবু চিংথুবা পাম্বা মশক নাইবা পোলিটিসন ২০ গী পুন্সি পুদোংথিনিঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরে হায়না পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর শৈইখ রশিদনা ৱার্নিং তৌখ্রে।



হীরম অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী থ্রেট এলর্ট ইশ্যু তৌখ্রে অমসুং পাকিষ্টান দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পি দি এম) গী চীফতসু খঙহনখ্রে হায়না রশিদনা ফোঙদোকখি।

রশিদনা জামিয়াট উলেমা-ইস্লাম ফাজল (জে য়ু আই-এফ) কী লিদরসু ওইরিবা পি দি এমগী মকোক মৌলানা ফাজল উর-রেহমনদা মশাগী ওইজবা খরগীদমক গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা শাগৎলিবা ঈহৌ শৌগৎপা লেপ্পবা পাউতাক পীখ্রে। পোলিটিক্সতা তুংগী পোফম লৈতবা মশানা এসেমব্লিবু ইলিজিটিমেট ওই হায়রিবা অমদি মতম অমদা প্রসিদেন্সিএল কেবিনেট দদেট ওইখিবা মীশক অসিগী মঙ কৈদৌঙৈদা মঙফাওনরোই হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

কোরোনা ভাইরসকী অকিবা মরক্তা মীয়াম পুন্দনবা গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা ওর্দর শীংনদুনা পি দি এমনা রেল্লি মখাতানা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈদা মিনিষ্টর অসিনা ৱার্নিং অদু পীখিবনি। পি দি এমনা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খান খুদক্তা মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা লাকপগা লোয়ননা মখোয়গী মরু ওইবা দিমান্দ অসি থুংহন্দ্রিফাওবা ৱারী অমত্তা শান্নরোয় হায়খি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ অর্মী অমসুং জুদিসরি য়াওনা মরু ওইবা ইন্সটিট্যুসনশিংগা মুক্নদুনা পোলিটিক্সতগী লাপ্পা লৈরক্লি। নহাক্না মীয়াম্বু চাংয়েং তৌরোইদবনি। শেঞ্জ-থুমজা অমদি অরান-অহুইগী থবকশিংদা চেন্নবশিং লেম্না থাদনবগী লেজিসলেসন অমা ইম্রান খান্না পুথোক্লগনি হায়না রশিদনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ওপোজিসন পার্টি এলাইএন্স পি দি এমনা গভর্ণমেন্টবু চৈরদুনা এলাইএন্স অসিগী পাঙ্গল হেনগৎলকপা থিংনবা অমসুং গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা ইথিল শাগৎপা লেপহন্নবা তৌশিন্নদুনা অজিবা পীনবা হোৎনরি হায়না মরাল শিখ্রে। গভর্ণমেন্টনা পি দি এমগী ঈহৌ থিংনবা হোৎনবা খুদিংমক মায় পাক্লোই হায়না ওপোজিসন লিদরশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।